# শঙ্গাইপাৎতা ফার্মস ট্রেনিং সেন্টর হাংদোকখ্রে মুগা তিল মহুম (কোকুন) মেলাসু হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ৯ঃ

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা শঙ্গাইপাৎতা ঙসি সেরিকলচর দিপার্টমেন্টকী ফার্মস ট্রেনিং সেন্টর চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহনা হাংদোকপগা লোয়নননা মুগা তিল মহুম (কোকুন) মেলাসু হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা য়াইস্কুল কেন্দ্রদগী এম এল এ থোকচোম সৈত্যব্রত, টামৈ কেন্দ্রগী এম এল এ অৱাংবৌ ন্যুমাই, ইম্ফাল ইষ্ট জিলা পরিষদকী অধক্ষ্য পি বিমোলা দেবী, ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোসনগী ৱার্দর নম্বর ১৯গী কোর্পোরেটর য়ুম্লেম্বম লুকমনি দেবীসু শরুক য়াখি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহনা হায়, মণিপুরী সিল্ক অসি মালেমদা শীংথানিংঙাই ওই, অদুবু মমল ৱাংবনা মরম ওইরগা কৈথেলশিংদা দিমান্দ তৌবশিং অদু পীবা ঙমদ্রি। মপানদগী লম কোইবা লাকপা খরনদি মমলগী খরা হন্থহনবা ঙম্লবদি হেন্না দিমান্দ লাক্কনি হায়বগী মত পীরমখি। অদুনা টেক্নিকেলগী হৈশিংবা অমদি মুগা পুথোক্লিবশিংগী থবক্তা হৈ-শিংবা অদু চুং শিন্নদুনা ক্কালিটি লৈবা পোখোক হেন্না পুথোক্নবা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংনা হোৎনগদবনি। মমল হন্থনবা হোৎনবদা ক্কালিটিদা কমপ্রোমাইজ তৌরোইদবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

সেরিকলচরগী আইটেমশিং মরাং কাইনা পুথোক্তুনা লৌমীশিংগী ইনকম হেনগৎহন্নবা অমসুং ষ্টেট অসিগী শেল-থুমগী ফিভম ফগৎহনবদা তৌবা য়াবশিং তৌনবসু চীফ মিনিষ্টরনা মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংদা খঙহনখি।

ঙসি কোইরেঙ্গী ৪৯ বট্টালিয়ান বি এস এফ কেম্পকী গেটতা শক্তিঃ লৈবা বোম পোকখায়হনখিবা থৌওং অদুবু চীফ মিনিষ্টর অকনবা মওংদা কন্দম তৌবগা লোয়নননা হিংশানা সোল্ল্যুসন অমত্তা পুরকপা ঙম্লোই হায়বগী ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

# হঞ্জিংগী ইপুধৌ পাখঙবা হৈঙাংগী লাই নত্তে মীয়ামগীনি ঃ য়ু এম ও

ইম্ফাল, মে ৯ঃ

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী হৈঙাংদা লৈবা হঞ্জিং লাইফমদা হৌখিবা এপ্রিল ৩০দা ইপুধৌ পাখঙবগী চেঙহৈবগী থৌরম পাঙথোক্লিকৈঙে মনুংদা লাইফম থুগাইখিবগী থৌদোক্তা চেন্নবনি হায়না মুস্লিম মচা মরী ফারগা অঙাংনি হায়না হৈঙাং অমসুং পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসননা থাদোকখিবা থৌওং মণিপুরগী য়েলহৌমী ওইরিবা মৈতৈ খুন্নাইগী মাইয়োক্তা থবক তৌবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

য়ুনিভর্সেল মার্দস ওর্গনাইজেসন (য়ু এম ও)গী মেম্বর অমা ওইরিবা মোইরাংথেম নিঙোল সোরোজিনিনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, অঙাংনি, অঙাংনা তৌরবসু মরাল লৈতবনি হায়না থাদোকখিবদগী অঙাংদুনা চুরম্বা মৈদগী ঙসিদি মণিপুর পূম্বা চাকহল্লকপা য়াই। ঐখোয়নসু অঙাংনা তৌবনি হায়বা খঙই। অঙাংশিং অদুনা হৌখিবা চহী ২০১৫দগী ঙসি ফাওবা চহী অহুম অসি হঞ্জিন হঞ্জিন য়ৈখাই-থিনগাইদুনা লাক্লবনি। মমাঙগী চহীদসু মফম অসি শৈতান্নি থুগাইরুচো হায়খিবা লৈখ্রবনি।

থোক্লিবা থৌদোক অদু অঙাংনা তৌবনি হায়রগসু অঙাং অদু ফাগদবা নত্তে। মদুদা থৌওইনা চেল্লিবা, চোংলিবা, ঙাংলিবা, লাউরিবা মীওইশিং অদু ফারগা মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা হায়, অঙাং অমনা লংজবা মরাল অমা তৌরম্বদা ফারবদি জুবেনাইল হোমদা থমগদবনি অদুগা কাউন্সেল্লিং তৌরগা অফবা সিটিজেন অমা ওইহল্লগা থাদোক্কদবনি। পাকিস্তানগী চহী ১৪ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা য়ুসুপজাই রবানিবু নোংমৈনা কাপ্লম্বদগী শিহৌদ্রবা মতুং লন্দন্দা পুরগা লাইয়েংলবা মতুংদা অমুক অমেরিকাদা পুদুনা গ্রেজুয়েৎ লোইহনখি। অকোনবদা নোবেল পিছ প্রাইজ পীরগা থাদোরক্লবা মতুংদা ঙসিদি পাকিস্তান মীয়ামগী লুচিংবী অমা ওইনা পাকিস্তানদা অওনবা অমা পুরক্লবা মীয়ামগী থবক তৌরি। অসিগুম্বা অফবা সিটিজেন অমা ওইহল্লক্লবগী ৱাখল খনবা ঙমদ্রবা মণিপুর পুলিসনা অমুক হন্না থাদোক্কদবা অঙাং অমবু ৱাথোক ওইরক্কনি খঙনা করি মরমগীদমক ফারুবনো হায়নসু হংলি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, হৈঙাংগী হঞ্জিংদা লৈবা পাখঙবগী লাইশঙ অসি মণিপুরগী ইহান হানবা মৈতৈ লাইশঙশিংগী মনুংদা অমনি। মহারাজ বুধচন্দ্রগী য়াথং মতুং ইন্না অঙম অথৌ ময়াম পুনশিল্লগা শাখিবনি। ইপুধৌ পাখঙবা মৈতৈগী ঈ তরেৎ, য়েক তরেৎকী পুকোক্লি, হৈঙাংগী লাইশু নত্তে। হঞ্জিংদা পাখঙবনা কোনুং ওইদুনা পাল্লম্বা মফমনি। মরম অসিনা কংলা লম্মহন কৌরিবনি। মসি হঞ্জিং চীংমৈদগী হৌরগা থেংগ্রাম চীংজিন (থেঙ্গু চীংজিন) ফাওবনি হায়বসি খঙমিন্নবা তাই। চীংশাং অসি লাইফম ঙাক্তা ওইবনিনা মৈতৈগী অশেংবা মফম অমা থম্বদা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিংনসু শৌগৎপীয়ু, মৈতৈ খুন্নাইনা ঙসি ফাওবদা অতোপ্পা ফুরুপকী লাইশঙ অমত্তা মাংহনবা, য়ৈখাই থিনগাইবা তৌখিবা লৈত্রি। হন্দক পাঙথোকখিবা পাখঙবা চেং হোংবগী থৌরম অদু লুপ ৬না পুল্লগা শীনখিবনি। অরাপ্পা মফমদগী লাক্লগা শেম শাবা ঙমদবদগী হৈঙাং অমদি মপুং ওইনা হৈঙাং মখা লৈকাইগী নহারোলশিংদা শীন্নবা খক্তনি। অদুনা হৈঙাংগী মীওই অমত্তদা মরাল পীবিগনু হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# ইরেংবমদা ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ৯ঃ

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ইরেংবম মখা মনিং কম্যুনিতি হোলদা ইরেংবম খোরিফাবা য়ুথ ক্লব অমদি ইরাবত সেলেব্রেসন কমিতি ইরেংবমনা পুন্না শীন্দুনা ঙসি কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইদুকেসননা লৌবা হায়র সেকেন্দরি ইকজামিনেসনদা ৯শুবা তারকখ্রবা কৃষ্ণকান্তবু ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

কৃষ্ণকান্ত মমাংদা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদুকেসননা লৌবা মেত্রিক পরিক্ষাদা ২১শুবা পোজিসন তাবা ঙমখিবনি। মহাক ইরেংবম মখা মনিং লৈকাইদা লৈবা থিয়াম মোচা এলাইজ সুর্জিৎ অমসুং থিয়াম ওংবী মালা দেবী অনীগী অহুমশুবা মচানুপানি।

থৌরম অদুদা ডা. আই ইবোহনবী সিংহ এক্স এম এল এ (ওইনাম কেন্দ্র), ইরেংবম গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান আই গোপেন সিংহ, উপ প্রধান এম সনাতোম্বা সিংহ অমদি অতৈ ৱার্দ মেম্বরশিং মথং শীৎনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমসুং ইকায়খুম্নরবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ডা. আই ইবোহনবী (এক্স এম এল এ)না হায়, হৌজিক্কী মতমদা এদুকেসন হায়বা ৱাহৈসিগী মহুৎতা হ্যুমেন রিছোর্স হায়না মহুৎ শিন্নরক্লে। জপানিসশিংনা মখোয়গী মীশিং হ্যুমেন রিছোর্স চাওখৎনবা হোৎনরগা মপান লৈবাকশিংদা থবক তৌরগা শেল পুশিল্লক্লগা জপান নুংঙাইগনি হায়বা ৱাখল খনবা হৌখ্রে। অদুনা ঐখোয়গী মীওইশিংনসু লাইরিক খরা হেক ফবগা ডাক্তর, ইঞ্জিনিয়ার ওইনবা হান্না হেক্তা খনবগী হৈনবী অসি তোক্লসি। মদুগী মহুত্তা মশা মশাগী হৈনবী, অপাম্বা লম্বীদা খম থেংনা ফনা চাওখৎনবা লমদম অমা ওইনবা হোৎনমিন্নরসি।

ঙসি ওকখিবা কৃষ্ণকান্তনা ফোঙদোকখিবদা খুঙ্গংগী মীওইশিংনা ইনফোর্মেসন ফংবা ৱাৎপা অমদি এদুকেসনদা শোত্থবনা মরম ওইরগা অফবা অচৌবা ওফিসার অমা ওইনিংবগী ৱাখল্লোন ফোঙদোকখি। জেনরেল লাইনদা তম্লগা য়ু পি এস সি সিভিল একজাম থাদুনা আই এ এস ওইনিংবগী ৱাখল্লোলসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা তোঙান-তোঙানবা খুলসিগী মীওইশিংনা শেলগী তেংবাংশিং পীখি। লোয়নননা ইরেংবম খোরিফাবা য়ুথ ক্লবনা মহাক্কীদমক মখা তানা দিল্লিদা তমনবা অচৌবা শেনফমশিং খুলগী মীওইশিংগা লোয়নননা পুথোক্কনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

**লমায় ১ গী মখা**

## পূন্সি শাংনা হিংলক্লিবী মঠিরংলিয়ু গাংমৈগী...

কামৈনা লঙাং রিয়ামৈগা য়ুম্বানবগী মরী থমদুনা মচা মঙা-জাখোওলিয়ু, লুফাওলিয়ু, মকুলানলিয়ু, লুচালিয়ু অমসুং মৈদুং লুংলিয়ু রিয়ামৈশিং কৌবী মচা নুপীশিং পোকখি।

লাইবক থিবদি মহাক্কী চহী ৩৩ শুরকপদা মপুরোইবা কায়নখি। মতম শাংনা লৈরুরবা মতুংদা নৌনা অমুক পাউহৌলুগে গাংমৈদা অমুক লুহোংখি। মতম অদুদসু মচা নুপা -গাগুইচাং অমদি মচানুপী মাজাবামলিয়ু গাংমৈনা ইতোন-তোনবী ওইনা ফঙজখি। হায়রিবা অসিদগী ঙসি ফাওবদা মচা নুপী অহল জাকাউলিয়ু রিয়াংমৈদি মশাগী চহী ৯৪শুবগা লোয়নননা মখা তাবা মচিন-মনাওশিংগীসু সুরোল ওইনা নুপী ১৪ অমদি নুপা ১৩ লৈখ্রে। হায়রিবা শুরোলশিং অসিগীসু মখা তাবা ওইনা শুরোল-শুথাং ওইনা নুপা ২৫ অমদি নুপী ২৪দগী শুথাংগী -শুথাংদা অমুক নুপী ৫, নুপা ৭ লৈদুনা ঙসি ফাওবদা মহাক্কী চাওদা-নৌদা ৯৫ লৈরকখিবনি হায়রি।

চাদা-নৌদাশিং অসিনা লমদমসিদা নত্তনা কোহিমা, দিমাপুর, সিলচর, নুংবা, ইম্ফাল, নোনেনচিংবা মফমশিং পাক-শন্না খুন্দা-লৈতাদুনা লৈনখ্রে।

মঠিরংলিয়ু গাংমৈগী য়ুমশু নৌনা নোনেদা লৈবা মরাংচীং পার্ট-৩ (মাখোৱম)দা চাদা নৌদা শুরোলশিংনা মহাক্কী পোকখিবগী চহী ১১৫ শুবা সুপর সেন্টিনরিগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখি।

মহাক্কী অনীশুবা মচানুপীগী মচা চহী ৪২ শুরবা দি গাইথাঙমনা হায়, মখোয়গী মবেন অসি মমাং চহী খরদা কোক্তা হৌবা শমশিং হৌরকখি। চাবা থকপসু মনা-মশিং ওইবশিংতা য়াম্না পাম্না চারি। মতম-মতমগী লাকপা অনা-লায়ওংশিংদা ডাক্তরদা পুদুনা লায়েংশি হায়বা শুকয়া য়াখিদে। লাইবক থিবদি হৌজিক মিৎ উশিল্লক্তবা অসিদা ডোক্টরদা পুদুনা লায়েংননবা হায়রকই। পুদুনা চৎপসু খুদোংচাদবনা অৱাবা মায়োক্লরি। মতম অয়াম্বদা ফম্মুংদা য়াতাদুনা লৈরি। চাবা থকপশিংদি অদুম্মক চাং নাইনা চারি। মখোয়গী মবেমা হায়রকপগী মতুং ইন্নসু করিগুম্বা লৈখিদ্রবসু মথৌ-মঙম পাঙথোক্লনবগী মঙফমনচিংবশিং ইঙ্খোল অদুদা থৌরাং তৌদুনা থল্লে হায়খি।

থৌরমদুদা মাঠিলিয়ু গাংমৈনা তিল্লিবা শুরোলশিংদা য়াইফ মঙ্গল পীবগা লোয়নননা পূন্সি নুংশাংনা মহাক্কুম্না হিংননবা ৱাফম থমখি।

## ৱার্করস বোর্ডনা লেবরশিংদা পীরিবা সার্টিফিকেট...

থৌদোকসিগী মতাংদা পাউ-চেসিনা থবক্তগী পোত্থাখ্রবা হান্নগী দিএলসি ওইরম্বা ঈ তোম্বগা ঙসি অনীরক হন্না শান্নখিবা ৱারীদদি মহাক্কী সহীশিংগা মান্ননা তৌরক্লিবা সহীশিং অদুগা খেন্নবা শোয়দনা য়াওরমগনি। মহাক্তিঃ পেন্সন ফঙলবনা মতৌ করম্না সহীশিং অদু তৌগনি। মহাক্তি সার্টিফিকেট অমসুং আই-কার্ডশিংদা সহী তৌখিবা লৈতে। থৌওংসি মীওই খরনা অতম্লনা চত্থরকপা ওইগনি নৎত্রগা মসিবু পায়রিবা বেনিফিশরিশিংনা চুমদবা, শাশিন্নবশিং পায়বা ওইগনি হায়রকখি।

মহাক্না বোর্ডসিগী দিএলসি ওইনা পুরিঙৈগী মতমদদি বেনিফিশরিশিংদা মতৌ করম্না, করম্বা মওংদা সার্টিফিকেট অমসুং আই-কার্ডশিং নম্লগা পীগদগে হায়বদুগী মতাংদা চৎনগদবা গাইদ -লাইনশিং চপ চানা শেমদুনা থম্লমখি হায়রি।

অদুবু হৌজিক বেনিফিশরিশিংনা পায়রে হায়রিবা সার্টিফিকেট অমসুং আই-কার্ডশিং অসিদি মহাক্না সহী তৌরমদবগা লোয়নননা শেম্লমলিবা রুলশিং অদুগী ৱাংমদনি হায়নসু পাউ-চেসিদা ফোঙদোরকখি।

## কংলাদগী হেলিপেদ হোংদোক্লবা...

পুয়াগী মতুং ইন্না হৌজিক হেলিপেদ ওইরিবা মফম অসি মনুং কাংজৈবুং হায়না খঙনরম্মী। খ্বাইদগী লীরবা পোলো গ্রাউন্দনি। হায়রিবা গ্রাউন্দ অসিদা নিংথৌ কাংবনা শগোল কাংজৈ শান্নরম্মী হায়বগী থাজবা লৈ। হায়রিবা পোলো গ্রাউন্দ অসি নিংথৌ মার্জিৎ (১৮১৩-১৮১৯)গী মতমদা মখা তানা পোলো গ্রাউন্দ ওইনা শেমগৎলম্বনি হায়রি।

# য়ু এন এল এফ মেম্বর অমা ফারে

ইম্ফাল, মে ৯ঃ

থৌবাল পুসিল কম্মান্দো অমসুং ২৬ অসাম রাইফলসকী অপুনবা টিম অমনা ঙসি খোঙজোম বজার এরিয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা য়ু এন এল এফকী এক্টিব মেম্বরনি হায়বা খুন্দ্রাকপম গোবিন্দ সিংহ এলাইজ মাইফাবা (৩৫) অপোকপা কে ঐচ ইবোহল সিংহ ফারে।

মহাক লমদিং চেরাপুর মখা লৈকাইদগীনি। খোঙজোম পুলিস ষ্টেসনদা কেস রেজিষ্টার তৌদুনা মখা তাবা থবক লৌখৎলি হায়না মণিপুর পুলিসকী পি আর ওনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা ফোঙদোরক্লি।

# দল্লীয়ু ৱাই টেব্লেট লিশিং ১০গা কোন্ননা মীওই অমা ফারে

ইম্ফাল, মে ৯ঃ

নার্কোটিক্স এন্দ এফিয়ার্স ওফ বোর্দর পুলিস টিম অমনা ঙরাং পল্লেল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা পল্লেল থোঙগী খা থংবা নাকন্দগী মীওই অমা ফারে। মঙোন্দগী দল্লীয়ু ৱাই টেব্লেট লিশিং ১০ ফংলে হায়রি।

মণিপুর পুলিসকী পি আর ওনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ফারবা মীওই অদু জেমসন চোংলোই (৪৪) অপোকপা জামথোং চোংলোই কৌই। চান্দল দিষ্ট্রিক্টকী মোলচাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা দ্যুইদাং ভিলেজদগীনি। অদুগা হৌজিক্লা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী পল্লেল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা পি লাংনোম ভিলেজদা ভারাগী য়ুম অমদা লৈবনি। মঙোন্দগী ফংলিবা দল্লীয়ু ৱাই টেব্লেট লিশিং ১০ অদু কৈথেলগী মমলদা চৌরাক্লা লুপা লাক্ষ ৫ রোমগী ওইগনি। নাব পুলিস ষ্টেসননা কেস রেজিষ্টার তৌদুনা মখা থিজিনবগী থবক চত্থরি হায়রি।

# এ দি সি মেম্বর অলেন কোম লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ৯ঃ

ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (এ দি সি), চান্দেলগী মেম্বর অলেন কোমনা থাসিগী ৫দা মশাগী অনাবা অমদগী রিমস হোস্পিটালদা খঙহৌদনা লৈখিদবদা কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (কে এস ও) চান্দলনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

কে এস ও চান্দেলগী জেনরেল সেক্রেটরী থাংবোই লুংদিমনা হায়, লৈখিদ্রবা অলেন কোম ২০১৬কী জুলাই ২৯দগী এ দি সি চান্দেলগী মেম্বর ওইনা থবক তৌরকখিবনি। মহাক্না মীয়ামগী মরু ওইনা কুকি কম্যুনিতিগী চাওখৎ থৌরাংদা কত্থোকপগা লোয়নননা থবক কয়া তৌরমখি। মহাক্কী থৱায়না মপুগী নাক্তা ইংনা চিক্লা লৈহনবীনবা থৌনিজবগা লোয়নননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

# ওর্গানিক ফার্মিংগী মতাংদা লৌমীশিংগী ট্রেনিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ৯ঃ

মণিপুর ওর্গানিক মিসন এজেন্সিনা স্পোন্সর তৌরগা প্রোটেক্সন এন্দ প্রিজার্বেসন কমিতি মণিপুর (পি পি সি এম) অমদি হাওমী রিছার্স গিল মণিপুরনা পুন্না শিন্দুনা নোংমগী ওইবা ওর্গানিক ফার্মিংগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম ঙসি কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কশোম খুলদা পাঙথোকখ্রে।

ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদু হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা পি পি সি এমগী কনভেনর এন বিমোল মৈতৈনা ফোঙদোকখিবদি লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিং নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবা চঙশিল্লিবা থবক থৌরমশিংদা শেন্দ্রীৎলোন ফগৎহনবা তঙাইফদবনা লৌমীশিংগী ওইবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি।

কমিতি অসিনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মনুং চন্না কসোং খুল্লেন এরিয়াদা হু চেন্দবা চানথক্লবা পোৎলমশিং পুথোক্তুনা শেন্থোক লম্বী লৈহন্নবা হোৎনবা তঙাইফদে।

থৌরম অদুদা মণিপুর ওর্গানিক মিসন এজেন্সি (মোনা)গী প্রোজেক্ট দাইরেক্টর কে দেবব্রত শর্ম্মা, এগ্রিকলচরেল দিপার্টমেন্টকী সোইল সাইন্টিস এন সনোতোম্বা অমদি হাওমি রিছার্স গিলগী কনভেনর রোবিননচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

**লমায় ১ গী মখা**

## অচেৎপা ফিরেপকা লোয়ননা থবক তৌরবদি য়াইফ ...

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ দ্রিঙ্কিং ৱাটর এন্দ সেনিটেসনগী সেক্রেটরী পারামেস্বারন অয়রনা হায় স্বছ ভার মিসন (গ্রামিন) অসি ইচম চম্না টোইলেট শাবখক্কী প্রোগ্রাম অমা নত্তে। মসি লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী ৱাখল্লোন অদু হোংদোকহন্নবা থৌরাং অমনি। লৈবাক শিনবা থুংনা মীয়ামগী লমচৎ-শাজৎ ৱাখল্লোন্দা চাউনা অওনবা উহনবা ঙম্লে। ইং ২০১৪দা খুঙ্গংগী লমদা সেনিটেসন কভরেজ অসি চাদ ৩৯ ওইরম্বদগী হৌজিক চাদ ৮৩ য়ৌরে।

গেটস ফাউন্দেসননা চত্থবা রিসার্ছকী ৱাফম পল্লদুনা মহাক্না হায়, ওদিএফকী থাক ফঙলবা খুঙ্গংশিংদা দাইরিয়া, দাইসেন্ট্রিনচিংবা লায়নশিং নাবগী চাং য়াম্না হন্থবা থেংনরে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী সেক্রেটরী পিঐচঈদি-নিধি কেসরৱানিনা ওপন দিফিকেসন ফ্রি মণিপুর রোদশেপ এন্দ চেলেঞ্জ হায়বা হিরম অসিদা পৱার পোইন্ট প্রজেন্টেসন উৎখি।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ ৱাটর এন্দ সেনিটেসন দিপ্যুটি দাইরেক্টর জেনরেল হিরনয়া বোরাহ, চীফ ইঞ্জিনিয়ার পিঐচঈদি সুনিল, দিষ্ট্রিক্টশিংগী দিসিশিংসু শরুক য়াখি।

## শগোলমাংদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল...


লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অসি শগোলমাংদা শাগনি হায়বা ৱাফম নত্তনা অতেপ্পা ৱাফমশিং ফোঙদোরক্লবদি মদুদা থোরকপা অফ-ফত্তগী দায়ত্ব লৈঙাক অসিনা পুগদবনি।

লৈঙাক অসিনা থা অসিগী ১২ ফাওবদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অসি শগোলমাংদা শাগনি হায়বগী থাজবা পীদ্রবদি জেএসি অসিনা মীয়ামগা মান্নরগা অকনবা খোঙজং য়াওনা মখল-মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিন্নবা শেম-শাবা লোইরে হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

মীফম অদুদা কো-কনভেনর নোংমৈকাপম বিমোতানা হায়, ২০১১দা শগোলমাংদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শাননবা উরেপ-উয়ুং তমখ্রবা মতুং অনৌবা লৈঙাক অসিনসু কেবিনেটতা কয়ারক পুখৎতুনা খন্নখিবা লৈখ্রে। অদুবু লম একর ৪.৩৫ রোমগী কম্পেন্সেসন পীথোক্তনা লৈরিবা অসি পীথোকপগী মহুৎতা হেল্থ মিনিষ্টরনা লমগী চয়েৎনবা লৈ হায়না লান্না হায়জিন্দুনা হোংদোক্লবা হোৎনরকপা লাইবক থিবনি। করিগুম্বা লমগী চয়েৎনবা লৈ হায়রবদি ২০১১গী মতমদা করিগী হেল্থ মিনিষ্টরনা শগোলমাংদা উরেপ-উয়ুং তমখিবনো হায়নসু হংলক্লি। অনৌবা লৈঙাক্কী চীং চৎসি অমদি খুঙ্গং চৎসি হায়বা খোল্লাউ অদুদা মীয়াম্না খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র অমদি সাইকুল কেন্দ্রগী মীয়াম্না থাজবা থমদুনা শগোলমাংদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শাবীরক্কনি হায়বগী থাজবা থম্লি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসি হিরম অসিগা মরী লৈননা মণিপুরগী গভর্ণরদসু মেমোরেন্দম অমসু পীশিনখ্রে।

## লান্না থৌরম



মালেম তাইবং লৈকোন্দা ঐখোয় খ্বাই পুন্নমকপু কোনবীরম্বী লৌরিয়াম ওংবী লাতা লৈমানা পুন্সি চেংজেল লোইরদুনা মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরূপ মপাং খ্বাই পূন্নমকপু থাদোক্লমল্লগা হৌখিবা চৈচৎ ০৩-০৫-২০১৮ কুমজা, কালেনগী ১৮ নি পানবা শগোলশেল নুমিত্তা মপুগী লৈকোন্দা লৈরাং লৈনম ওইনা তিনখ্রে।

হৌখিবা চৈচৎ ০৭-০৫-২০১৮ কুমজা, কালেনগী ২২ নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা মঙানি লৈহুন তমজখ্রবা তুং লাক্লিবা চৈচৎ ১৩-০৫-২০১৮ কুমজা, কালেনগী ২৮ নি পানবা নোংমাইজিং নোংজাদা লৈখিদ্রবীগী য়াইবী থৱাইনা মপুগী লৈকোন্দা ঈংনা চীক্লা লৈরুনবগীদমক ঙমজবা হৈরাং-লৈরাং খরদং মপুগী মীংখৈগা লোয়ননা তাইবং মপুগী খুয়াখাদা কচ্চগদৌরি।

থৌরম অসিদা অহল-লমন, ইমা-ইবেন, মরুপ-মপাং অমদি শাগৈ ইয়েকচা খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেংবীরক্তুনা মপুগী মিংখৈ শক শোঙ্গববু য়াওবীরনবা পাউচেগী থোঙদা পাউজেল চৎচরি।

পাউজেঙ্গরিবশিং ঃ
লৌরিয়াম ইবোপিশক মৈতৈ (মপুরোইবা)
লৌরিয়াম চিংখৈঙানবা (চামফুৎ) মৈতৈ (মচানুপা)
লৌরিয়াম সুসিন চনু (মচানুপী)
কৈরাও বিত্রা লাইরেম্বী লৈকাই।

SL/Bill/Wangkhei/10

# তুংগী মীরোলগীদমক ঐখোয়গী কলচর ঙাক শেনবা মথৌ তাই ঃ মিনিষ্টর

ইম্ফাল, মে ৯ঃ

ঐখোয়গী ইরক্তা লোন, লাইনিং লাইশোন, শক-চুদা খেন্নরবসু তুংগী মীরোলগীদমক ঐখোয়গী কলচর ঙাক শেনবা মথৌ তাই হায়না ইনফোর্মেসন মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

টেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মচি সব দিভিজনগী মনুং চনবা লিকবুং মচিদা চত্থরিবা মরিং পারয়াও-থিল্লাই (কলচরেল ফেষ্টিভেল) কম লিল থালুং বুনগী ঙসি হুম্নি চনবা নুমিৎতা মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি। টেংনৌপল কেন্দ্রগী এম এল এ কোরুংথাং, দিষ্ট্রিক্ট ওফিসিয়েল অমসুং ভিলেজ লিদর কয়াসু শরুক য়াখি।

মিনিষ্টর বিশ্বজিৎনা মখা তানা হায়, সরকারগী থৌদাং পুবা হায়বসি তোঙান-তোঙানবা থবক কয়া পায়খৎলম্লগা চৎখিবা ঙাক্তনি। অদুগা মীয়ামগী করি করম্বা থবক তৌসিগে হায়বদুসু খল্লগা তৌরম্বা ঙাক্তনি। মতম মতমদা তৌরম্বা থবক থৌরমশিং অদু অনৌবা অহেনবা পায়খৎপা য়াবা পায়খৎতুনা অনৌবা শেমগৎ শাগৎপগী মায়কৈদা পুশিন্নবা হোৎনবা ঙাক্তনি।

হৌজিক লৈরিবা সরকার অসিনসু মমাঙদা তৌরম্বা থবকশিং অদু মখা চত্থবগা লোয়নননা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিংগী মরক্তা লৈরিবা থাক অদু লৈহন্দনা মান্নবা অমসুং হেন্না ফবা মওংদা শান্তি ওইনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নদুনা শেমগৎ শাগৎপগী থবক্তা খুৎমাং চাওশিন্নবা হোৎনবনি।

থৌরাং অসিগী মখাদা চীংদা চৎলু-গো টু হিল হায়বা পাউজেলগী মখাদা তোঙান-তোঙানবা থবক থৌরম কয়া মীয়ামগীদমক পায়খৎলি। ভারত সরকার অমসুং ষ্টেট সরকারগী তোঙান-তোঙানবা স্কিম কয়া অসিগী কান্নবা মীয়ামনা মপুং ফানা ফংলবতদা নুংঙাই য়াইফবা হায়বদু শোইদনা ওইগনি হায়বগী ৱাফমসু থল্লদুনা মীয়ামগী মরূ ওইনা চীং অমসুং খুঙ্গংদা লৈরিবশিংগী শেন্থোক লম্বী ফগৎহন্নবা হোৎনবদা অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংগনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মমাঙগী সরকারনা মচিদা ৩৩ / ১১ কে ভি সবষ্টেসন অমা শারম্লে। অদুবু মতমগা চান্নবা মওংদা অপগ্রেট তৌনিংবগী অপাম্বা অদু লৈ। প্রাইম মিনিষ্টরনা ২০১৯ মার্চ ফাওবগী মনুংদা খুঙ্গং খুদিংমক মৈ ফংহনগদবনি হায়না থমখিবা ৱাফম অদু সরকারনা চপ চানা থবক্তা উৎনবা হোৎনরি। লোয়ননা চৎলিবা চহী অসিগী দিসেম্বর ফাওবগী মনুংদা পান্দম অসি ফংনবা হোৎনরি।

উজৱালা যোজনাগী মখাদা অহোংবা মমলদা এল ই দি ট্যুব লাইট অমসুং বল্ব কৈথেলগী মমলদগী তানা মীয়ামদা ফঙহন্দুনা মৈ শীজিন্নবগী চার্জ হন্থহন্নবা হোৎনরিবা অসিদসু মতেং পাংবীয়ু হায়না মহাক্না অপিল তৌখি।

থৌরম অদুদা দি সি টেংনৌপল কে ঐচ রঘুমনি (আই এ এস), এস পি টেংনৌপল ডা. এস ইবোমচা, এস দি ও মচি এস টি রিথুং অনালসু শরুক য়াখি হায়রি।

# নেসনেল সেমিনার কম ৱার্ক্সোপ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ৯ঃ

ভারত সরকারগী এটোমিক ইন্নর্জি দিপার্টমেন্টকী মীৎয়েং মখাদা হন্দক্তা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি হায়না ওনখ্রবা ধনমঞ্জুরি কম্যুনিতি কলেজনা ষ্টদি ফোরম ফোর এদভান্স টেক্নোলোজি এন ই ইন্দিয়াগা খুৎশম্মদুনা এটোমিক ইন্নর্জি এন্দ রেদিয়েসন ফোর সোসিয়েটেল দিভলপমেন্ট হায়বা হিরমদা নুমিৎ নীনি চত্থগদবা নেসনেল সেমিনার কম ৱার্ক্সোপ ঙসি দি এম কলেজগী মল্টিপরপস হোলদা এদুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এটোমিক ইন্নর্জি দিপার্টমেন্টকী পব্লিক এৱেয়ারনেস দিভিজনগী হেদ রবিসঙ্কর তোঙান-তোঙানবা কলেজশিংগী প্রিন্সিপাল, শক্লাইবা সাইন্টিস, প্রোফেসার অমসুং মহৈরোইশিং শরুক য়াখি। সেমিনার কম ৱার্ক্সোপ অদু হৌদোক্লদুনা এদুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা হায়, খুন্নাই অসিগী ওইরক্লিবা প্রোব্লেম অমসুং ইশু কয়া অসি এদুকেসনগী তোঙান-তোঙানবা কাংলোননা কোকহনবা ঙমগনি। এদুকেসন হায়বসি দিগ্রি অমসুং থবক ফংন্নবগীদমক নত্তে সবজেক্ট অমসুং প্রোব্লেম খুদিংমক মুন্না খঙমিন্নদুনা হেন্না ফবা মওংদা থবক তৌবা ঙম্নবা হোৎনবা তঙাইফদে।

সেমিনার কম ৱার্ক্সোপ অসিনা ষ্টেট অসিগীতা নত্তনা নোর্থ ইষ্টকী মহৈরোইশিংদা হেন্না কান্নবা পীগনি হায়বগী থাজবসু থমখি।

ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্জেল্লর ঐচ দিলিপ সিংহনা এটোমিক ইন্নর্জি অমসুং রেদিএসনগী মতাংদা হেল্থ মেদিসিন অমসুং এগ্রিকলচর সেক্টরগা মরী লৈনবশিংগী মতাংদা পন্দুনা ৱা ঙাংখি হায়রি।

## নুপী ২ য়াওনা...

পনবা য়াবদি কেস অসিগী অহানবা থৌদোক ওইখিবা ২৩শুবা এআরনা পেসেঞ্জর গারি (ক্রুইজর) অমগা কোন্ননা ফাগৎখিবা মসিগী দ্রাইভর মঞ্জিল অহমদ লাস্কর (৩০) অপোকপা এমদি জামোইরউদ্দিন লাস্কর, কছারগী জিরিঘাটকী উত্তর লালপানিদা লৈবা মীওইসিসু জ্যুদিসিয়েল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রবনি।

## অরোং তুরেলদা...

থৈবীগী হকচাং ফঙনবা হোৎনখিবদা ষ্টেট দিজাষ্টর রেসপোন্স ফোর্সকী মীওইশিং অমদি ঈরুপ্পা হৈরবা মীওই নেক্তুনা ঙসি ফাওবা থিরকখিবনি, থৈবী য়ুম-কৈ পান্দুনা মহাক্কী মচা ২সু লৈহৌরি হায়রি।

**R.C. BOOK LOST**

I have lost my R.C. Book of Truck bearing No. MN01-AA-0010 on the way between Moirangkhom and Leimakhong on 2nd May, 2018

Finders are requested to handover the same to the undersigned

Sd/-
**Sh(o) Bonomali Devi**
W/o Sh. Sanaton Sharma
Brahmapur Thangjam Leirak
Imphal - 795 005

SL/3640/10

**ORIGINAL CERTIFICATE LOST**

I have lost my original certificate of GNM Examination 2017 bearing Roll No. 167 conducted by Manipur University from Irengbam Thamcha Nursing Institute on the way between my residence and Poana Bazar on 12th April, 2018 around 10 a.m.

Finders are requested to handover the same to the undersigned

Sd/-
**Irengbam Ime Devi**
D/o Irengbam Ibomcha Singh
Irengbam Awang Leikai
P.O. & P.S. Nambol District, Bishnupur
Mobile No. 9402969765

SL/3639/10

**In the Court of Sub-Deputy Collector**
**Keirao Bitra, Imphal East, Manipur**

*Ref. :- Mutation Cass No. 93/SDC/KB of 2018 Date 9/5/2018*

Saikhom Surjitkumar Singh, S/o (L) Birmala Singh of Arapti

***- Petitioner***

***-Verses-***

(Late) Saikhom Birmala Singh, S/o (L) Tombi Singh of Arapti

***- Opposite Party***

**NOTICE**

*Keirao Bitra, the 09/05/2018*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Imphal East Keirao Bitra Circle গী Village No. 121-Thiyam Konjin গী Patta No. ... (অরিবা) 594 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 21/290 an area .62 (point six two) acre of TaothabiClass লম অসিগী Pattadar Saikhom Birmala Singh অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মচানুপানা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Keirao Bitra Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চত্থগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Keirao Bitra, Imphal East

SL/Bill/Len/10

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**WATER RESOURCES DEPARTMENT**

**Tender Notice No. 1**

Dated, 04th May, 2018

1. Tender in two Bids system (Technical & Financial Bids) are invited by the Chief Engineer, Water Resources Department, Manipur on behalf of the Governor of Manipur for the work, Up-gradation of Cricket Stadium at Luwangshangbam, Imphal East, Manipur (Construction of Southern Gallery)
2. Tender is to be submitted online through e-procurement/Tender Portal https// manipurtenders.gov.in.

The dates of submission of bids are as follows:

| | | |
|---|---|---|
| Publishing/Downloading Tender Documents | : | 1100 hrs of 10/05/2018 |
| Last date of seeking clarifications | : | 1600 hrs of 15/05/2018 |
| Last date of submission of tender | : | 1100 hrs of 25/05/2018 |
| Date for opening Techincal Bid | : | 1500 hrs of 25/05/2018 |

3. Modification/Amendment/Corrigendum, if any shall not be advertised in the newspaper, but shall be uploaded in the website only.

Sd/-
(Ksh. Pritam Singh)
Chief Engineer,
Water Resources Department, Manipur

SL/Bill/No.2/33/2017-DIPR/9&10